> “ফনা নুংশিবা কোকিলগী খোঞ্জেলসু ওইসনু। চিল্লোক্লবগী মখোলসু ওইসনু।
> নূংনা শাবা থম্মোয়দা অরেম্বা ওইগনি।”
> *- পাচা মীতৈ (কালিমাই মমাঙদা লাইবক কংপসু য়াওই, কত্তবসু য়াওই)*

# শৈরেং

## ঐখোয়গী লাইবক কনানা লেপকনি

**— খোইস্নাম ওংবী বিরলা**

অমগা অমগা ৱাখল তান্নদ্রবা
অমনা হায়বদা অমনা তাবিদ্রবা লমদমসিদা
কনানা লেপহৌগনি ঐখোয়গী লাইবক।
ইমা, নচাশিং ঙসিদি লমহুক্লরে
পুধৌ পুরেলশিংনা লমদমসিদা
ৱানা থারম্বা কৈরাক
মপা হনবা নচাশিংগী
মিনম্বা খূৎশোক্তা
কিন্থরক্লে মথং মথং
ঙাকপী শেনবীনবা কনা লৈতনা
লন্নাই স্বার্থ তানবদা
নোংমতসু হন্থনা য়েংনদ্রে।
মাঙশিল্লক্লিবা ইঙ্খোলসিগী পোৎলমশিং
কনানা য়েংগনি হৌজিক্তি
মপু পান্দবগুম চরাংনরবা ইমুংসিদা
স্বার্থগী লান কনশিল্লক্লে ঙসিদি।
মাঙদা তাদুনা লৈরিবা
শাংলবা পন্থুংগী লম্বী
করম্না চৎকনি য়ৌনা
স্বার্থগী ৱাখলদা ঙাওরবা নচাশিংনা
মপা মপু মিরাইরগা
মায় পাকপগী করি পুৱারী ইগনি!
হায়য়ু তাসি ইমা
লমদমসিদা ঐখোয়গী লাইবক কনানা লেপকনি!

## মীনুংশি

**—ডো. অকোইজম ইবোহল**

হাদা নমু তাইবঙ মীওইবা
থৱায় পানবলক্তগী অথোইবা
নঙনা মহেল্লে মঙম্মে হায়দুনা
চীং পাৎ তুরেল লোইজিং লোয়া
উমং ৱামং লৌবুক লম্মাং
নথন্তগী নুংঙাইনবা মওংদা শীজিন্নবা
কুশি-রাসি তৌরিবা মতৌসে
অসিরা নহাক্কী মীনুংশি হায়বদো;
নহাক মঙায়রে শেঞ্জাও পায়বা
খুন্নাইসিদা ফম অচৌবা পায়বা
নথৌনা নরিংজেল পূম্বা ফুদোক্তুনা
তোল্ল-তারবশিংগী হকপু খোঙ্গাওনবা
মখোয়বু করিসু লৈতবগুম খন
হন্থবা মীৎয়েংনা তত্তনা য়েং
মখোয়গী ঈ চূপ্তুনা থক্লিবা
মসিরা নহাক্কী মীনুংশি হায়বদো;
নুংশিদি নুংশিদা নুংশিবা শা
নশাগী ওইজ-ওইথক্লা মাঙদা থা
নঙগী লৌনম লাংদা থুহন
মীগী মমোম লাংলেন নুংশিবীদো
নহাক্কী য়ূম্নাক শাগৈ তিলহন
নখূৎ চল্লবা মতম অদুদা
মীওৎ মীনৈ হেক হেক চথরিবা
মদুরা নহাক্কী মীনুংশি হায়বদো;
নহাকপু মী ওইননবা শেম্বীরকপা
নতু নমান অমফাও তেকহনবীরক্তবা
কৎথোকপা খক্তনা মশরুক ওইরক্লবা
লৈখোঙ শোল্লকপা পলেম পম্থৌদো
পুন্সিগী য়াচংবা মতম য়ৌশিল্লক
মপোক থোক ময়া লাংলক্লবদা
‘ওল্ড এজ হোম’ দা থিনবীবদি
নহাক্কী অশেংবা মীনুংশিদু উৎথোকপরা;
কাউমন্নসু কাউইদা কাউজলথিবা মীওইবা
নহাক্কী অথোইবা খোঙলোই ওইরকপা
তাউবা হুই ঐখোয় ময়াম্বু
বোরাখাওদা নমদুনা পুদুনা
লল্লোন কৈথেল কাবদি
লোম্থোক্তবা থৱায় পানবা ওইরুবগী
তৌগে য়াওনা মকসু তৌবরা
মসিসু নহাক্কী অথোইবা মীনুংশিরা?

## পাম্মুখ্রেদা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

খোমলেন মঙলান্দা
নুংঙাইখিদবা অদুনা,
মীৎকপ থোক্লবা ফাওবা
মঙনি খন্দবা মখৈ
মীৎকী পিরাং
শিন্থবা লেপখিদে।
অঙাং নাৱা ওইরিঙৈ
অনৌবা অমা
শিল্লগনি খনখিবা,
ওন্থোক্লা পাম্মুজখ্রেদা।
তাইবঙ খোঙচৎ
লোইশিল্লক্লবা হায়বদুরা
মহৌশা মাগী
খোঙচৎ অসিদা।
ইতোমতা পাম্মুনা
শোঞ্জরি ঙসিসু
ঐগী তেকখ্রবা
য়াশিং অসিবু নীংশিংদুনা।

## ওহ! থেঙখ্রমাল্লে, ঐতগী খল্লিঙৈ

**—বি সী খুমন**

ঐনা থম্মোয় শেংনা চুম্না
অরানবশিং চৈরাক পীরুবদা
ঐ লৈতাফম খঙলোই, কিজে;
মতমসি অহোংবা নাইখ্রে, চোকথরে,
অচুম্বগীদমক থৱায়সি থানিংদ্রে।
থাপ্না য়েংলুই চীংশাংদা লাম্মে
তাম্না য়েংলুই লৌবুক্তা দলানশিং
মাঙখ্রবা পাৎশিংগী তেংথা খোঞ্জেল,
মহৌশানসু থীনা চৈরি মীওইববু
নশাতগী খল্লদি শিজখ্রো।
মীখা পোল্লুবৈ ফাজিন-পুনশিনখ্রে
থৌনা পূম্বসু য়াই থাখ্রমাল্লে;
হিংবা তাব্রা খদাং মখা থানা
পোকপগী মহয় য়ানবা ঙমদনা;
অচুম-অরান, খূবাক-খূনম
ওহ! থেঙমনখ্র মাল্লে, ঐতগী খল্লিঙৈ।
মীনা খঙদ্রসু ঐতনদি খঙই
মীয়ামগী পাওনিলখোন মরম লৈগনি;
চরম মেৎখ্রে - মখোল থোক্তনবা, কৈদৌনি,
নোংশাগুম থৌই খঞ্জবা - পাঙ্গল লৈরমদ্রে
অৱাইবা ৱাঙাঙ, তন্বীরকপা মচৎ, কাউগে ঙমদ্রে
মীখা থাবগী নুংঙাইবদুবু - মসিরা।

## ‘ৱাকৎপুঙ’

**—অয়াম ইবেতোম্বী**

অরংলক্তগী লংলবা
থৱান্মীচাকনি নহাক্তি
খ্বাইদগীসু নক্লবা!
নঙোন্দগী থক্তোক্লকপা
মসেক মঙালদুনা,
ওইহনবী’ ঐবুসু
অমকপা য়াওদবা।
পেঞ্জরগে মদুতনা,
মহয় য়াল্লে খঞ্জরগে পুন্সিসে
পোকচবগী তাইবঙসিদা।
মঙফাওনরে, তাবীরে
মপু মানা তোল্লবীগী ৱাকৎ
’দুবু ৱাকৎপুঙ ওইরেনে
শেম্বীবা মপুদি।
ঐগুম্বী, নঙগুম্বী, মাগুম্বী কয়াগী
ৱাকৎফমনি ৱাকৎফম।
কনাদদি ৱাকৎলুগনি
চিরবদি মতমদা,
করি’বুদি কায়রুনি
ৱাকৎপুঙদা ৱাকৎপবু।

## ঐসু নঙসু মাসু চপ মান্নে

**— লৈশাংথেং প্রিয়া**

পীথোকপা হৈতবা লৌশিনবতা হৈবা,
নঙগী খুৎতুনা করিবু অমুক পাল্লিবগে হৌজিকসু ?
মহৈ মশিংদি তম্লুরে
চৎনবী পুকচেলগী মরমদদি তমলকলমদ্রে।
তারুনি করম্নদি তমদি তমদনা,
মিৎ উইশিনবা খক্লা তূম্ব্রা,
উরবোই নঙগুম্না পূম্নমকসু
লাওনা খোংবা, নখোং নখুৎ থিনবদুরা,
তমলক্লব্রা খঙদে মহৈশঙদা
ঐসু নঙসু মাসু চপ মান্নে
পূন্না চেন্থরি ইচেলসিদা
কনাসু খঙনবা হোৎনদে ॥

## পুন্সি পন্থুং

**—অঙোম ইবোমচা**

চেন্নরি শাংলবা লম্বীদা
লেপ্তুনা পুন্সিগী
য়ৌনবা পন্থুংবু, পল্লেপফম খঙদবা
পোথাবা লৈতনা মিৎকুপ পুংজা
অহিং-নুংথিল অনীদা
চেন্নরি শাংলবা লম্বীদা
লেপ্তুনা পুন্সিগী।
তিন্নদে লম্বীসু অমগা-অমগা
কনানা চেল্লি মশাগী নাপলনা হিরোই ওই
“ঐদি অচৌ অশাংনি
ঐদি ইশক ফজবনি অচৌবা জাৎনি
ঐদি ইনাক খুনবনি”
লৈতে কনাসু ঐগুম্না নুংঙাইবা
নুংঙাইবগী নুংঙাইবা তাইবঙনি ঐগীদি
চেন্নরি শাংলবা লম্বীদা লেপ্তুনা পুন্সিগী।
কনা অমনদি চেল্লি
অৱা-পোৎলুম পুদুনা তাইবঙদা
লেল্লি অৱা-মৈচাক কপ্না-কপ্না
খল্লি থম্মোয়দা মদোম
লায়রবগী লৈফম লৈতবা তাইবঙনি
হয়েংগী কোরৌবু ঙাইঙমদ্রে
লৌশিনবিরো থুনা ঐবু
চেন্নরি শাংলবা লম্বীদা
লেপ্তুনা পুন্সিগী।
তাইবঙগী মতমনা লোইরক্লবা
পাঙ্গল শক্তিসু লৈরক্ত্রবা
পেন্নাইদ্রবা ৱাখলসু মাঙলক্লবা
হেদো-নাহে চন্দুনা
তৌরাং-থক্তা য়াহিপ্ল-কান
ফাওরকখিবা মঙানদো মঙোন্দা
পন্থুংনি পন্থুং পুন্সিগী
পন্থুংনি পন্থুং পুন্সিগী।

## কলিগী ঈশ্বর

**—রাজেন্দ্র তেন্সুবা**

কলিগী ঈশ্বর কনানো?
কনা ’মনা,
যীশু খৃষ্টনি হায়।
অলানি, শ্রীকৃষ্ণনি খুমই অমনসু।
লানবীবা মপু অদুনি
হরি-নামনি, ন্যুক্লিয়রনি
মিসাইলনি হায়বসু য়াওই।
হায়নীংবা হায়জসনু
খুমনীংবা খুমজসনু
পূম্নমক অমত্তা নত্তে
কলিগী ঈশ্বরদি পৈশানি
মাতনি ঐনা লাৎচগদবা।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# শক্লরিবা সংকির্ত্তণ ঈশৈগী ফিজেৎতা মিৎয়েং



সংকির্ত্তণ ঈশৈদা ইচে ইচলশিংনা শক্লরিবা মশক মওং অসি হৌজিক মতমসিদা মওং অমদা লাকপা উরি। চাউখৎলকপগী মতুংইন্না অকে অমৌ, অরু অনাল, ফিজেৎ-লৈতেং অমদি মীয়াম তানবা শীজিন্নরিবা মাইক, সাউন্দ সিষ্টেমদা পৈশা চঙনা শীজিন্নবা থেংনৈ। শৈশকপীশিংনা মীয়াম তাবা নুংঙাইনবা হায়দুনা এফ এম মাইক শীজিন্নরি। লুহোংফমগী কেরিবা ময়ামসি বেঙ্গলগী দুর্গাপুজা থৌরম পাংথোকপগুম ফি মচু মখল কয়ানা লৈতেং ওইবা কন্না চৎনরি। লুহোংফম অসি ইপা ইপুগী শঙলেন মান্দপকী মশক অমত্তা উবা ফংদ্রে। লুহোংফমগী চঙফমদগী হৌনা সর্কস, মেলা তৌফম অমগুম্না নীংথিনা কেদুনা শেম শাবা মশীং হেনগৎলকই। মতম চৎনবী অসিদা ঐখোয়না য়ারগা য়াওদুনা চৎনরি।

ৱাকৎপদি নৎতে, থম্মোয়দা ফাওরকপা হায়নীংলকপা, হংনীংলকপা কয়ানা ৱারেং অসি ইরক্লবগী মরম ওইরকই। ঐগী ইরৈকাই, ঐগী খুঙ্গং অসিদা চেনশিনলকইবা মতমগী ঈশিং ঈচাউ অসি ঐনা য়েংলগা লৈখিগদ্রা, ঈচাউগী পল অসি থিংদুনা ঐগী খুল অসি ঈচাউদগী কনগদ্রা নৎত্রগা চেনশিল্লইবা ঈচাউ অসিদা ঐসু চোংথদুনা ইরোয়বা য়াওশিনগদ্রা? হিংনবা হোৎনবদা মীওইবনা মখল মখা কয়াগী পাম্বৈ থিরকই। লৌনম নমথাক কয়া তৌনৈ। ঐদা শোয়দ্রগা নুংঙাইরগা লোইরে, ঐগী ইমুং মনুং নুংঙাইরগা লোইরে খনবদগীনি মীয়াম্না য়াদবা থবক তৌদুনা পৈশা তান্নরিবসি। অরানবা তৌবসি অচুম্বনি হায়না খনবা মীগী মশীংসু হেনগৎনরকই। নাৎকী চৎনবী, য়েলহৌঙৈদগী লাকপা মচৎতি মরু মরাং থাক্তবা চুমগনি। ক্ষিরদা থুম থাকপা, খিচ্রিদা অথুম্বা চিনি হাপ্লগদি পোৎশক অদুগী মহাউসি করিনি হায়না তমগদগে?

অতৈগী মরমদদি পাক শন্না উরুবা ঙমদ্রি। পোকপা শিবা হায়বসিমদি নান্থোকপা য়াদবনা মসিদা তৌদবা, পাংথোক্তবা য়াদবা থৌরম খরা ঐখোয়গা লোইনরি। ডিমোক্রেসি, শূকনম সাসন, ঐগী অপাম্বা অনীংবা তৌবা হায়বসি নাৎকী ওইবা থৌরমশিং, লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদদি তৌনরক্তবা মাল্লি। পোকপা শিবগী থৌরম অমা পাংথোকপদা পিক্লা পাংথোকপা চাউনা পাংথোকপা হায়বদুনা কৎচরিবা মহাক্কী অঙম্বা থাক্লি। শক শোনবীরগদৌরিবা মহাক অদুনা শরুক য়াবীরগদবগী মওং অদুমদি থৌপু ওইরিবা য়ুম্থুনদি অদুক হক্লা উনরুদে। মফম মরাং ইখং খঙদনা অমনা হায়বদা ফনি হায়দুনা শক শোনগদবা মীওশিং কৌশিল্লুবসু য়াওনরমগনি। অসিগুম্বা মওং মানবসি হন্দক ঐখোয়গী লুহোংবগী থৌরম খরদা ঈশৈ শকপীরিবী ইচে ইচলশিংগী মরক্তা খরদি থেংনরে। লুহোংফমদা সংকির্ত্তণ ঈশৈ শকপীগদৌরিবী মহাক অদুনা করম্বা ফিগী মচু, করম্বা নাচোম চিনগদদে হায়বসি থৌপুনা হংনদে। শক শোনবীগদৌরিবী মহাক্লসু শুম্মাং লীলাগুম্না পোৎচং থৌরম মফমদা হায়নদে। শৈফম খঙদুনা লাকপীরগা থৌগল তৌবীরবা অদুতনি ঙসি ফাওবা চৎনরিবসি।

ঐখোয়না খংই লুহোংবা হায়বসি লুহোংগৌরিবা নুপা-নুপী অনীগী পূন্সি নুংশাংনা, ৱাৎতপাদনা পাঞ্জরুনবা শক শোঞ্জবনি। থৌরম অদুদা লৈকাইদুগী অহল লমন, খঙ হৈরবা তাকপী তম্বীবা ঙম্লবা কয়ানা তিল্লরি, থৌরম য়াওবীরি। লুহোংবগী চেপাউ/বার্ত্তণদসু য়ূম্বান লম্বীদা নৌনা খোংদাজরক্লিবা (নিংঙোল-পীবা)বর কৈন্য অনীবু য়াইফ মঙ্গল পীবীরনবা নোল্লুকচরি হায়না হায়রি। চৎনবী, থৌগল্লোন হায়ফম থোকপদদি হায়রগা তৌফম থোকপা মশক্তদি ওন্নবা য়াম্না হেনগৎলকপসি মফম খরদদি সংকির্ত্তণ শকপী ইচে ইচল খরগী ফিজেৎ চাকশেৎ, শৈশক্তা হেনজিনবা, মনিং তম্বা উরকপসি নুংঙাইতবা ফাওই। অহল লমন্না ফমেন ফমদুনা তাকপীদবা হায়বদু মানবা থেংনৈ। ফনা নীংথমথাগী ঈংবা ওইরবসু পুং থোনবা ওঝাশিং সংকির্ত্তণ ঈশৈদা ফুরিৎ লিৎনদে। মৌ ওইরবী ইচে ইচলশিং ফিদোন চিংখৎনৈ। অসিগুম্বা ফজরবা চৎনবী নিতি পরিং কয়া অসিনা ৱাংখ্রবা য়ুনেস্কোনা মণিপুরী সংকির্ত্তণবু শকখঙবীরকপনি। মসি খঙদবা কনাগুম্বী সংকির্ত্তণ ঈশৈগী শিনফমদা লৈবীরিবীশিংনা ফিজেৎ লৈতেংদা, শৈশক্তা মীমাং থোকলকপসি অফবা ওইরোই। হৌজিক্কী মতমদা মেডিয়াগী খোঙচৎ য়াঙঙি। খঙঙোই উরোই, তারোই হায়বা পোৎসি হেক্তা খঙনরকই। তৌফমসু থোক্তে।

নাৎকী মরমদা খঙনিংনা মহৈ তমখৎলক্লিবা মহৈরোয় অমনা ৱাটচেপ্তা ভিডিও ক্লিপ্পিং অমা থারকই। নট সংকির্ত্তণ শৈশকপী অমনা ওভরকোট লিৎলগা ঈশৈ শকপগী মতাংনি। শৈশকপীদু শাবান ৱাংঙি, তিংদা য়াংদা চুম্মী, চেংলৌ হেল্লম্বসু য়াই, খোঞ্জেল ফরম্বসু য়াই, মহৈ মশিং হৈরম্বসু য়াই, মরল মথুম, সঙ্গ পঙ্গ লৈরম্বসু য়াই তৌথোকলিবা মতৌ, শেৎতোক চাথোক্লিবা ফিজোলগী মওং মশক অদু উরগদি মাঙোন্দগী তম্লিংঙাই করিমতা লৈত্রে। থৌগল্লোন, থক্সি খাসি হায়বা য়াওদবগী মমি তারি। মশানা শিনফম অমা ওইজরিবা নট সংকির্ত্তণ ঈশৈ অদু মহাক মশানা মশক খঙজদ্রে। মতম অমগী বাসক ঈশৈ, খুবাক ঈশৈ, পাসখেলা ফাওবদসু তৌখিদে। থৌরম অদুবু মীৎয়েং তাবীরিবা অহল লমন, মীয়াম অদুবুসু মহাক্কী মখাদা করিসু লৈতনা থমজিনবীখ্রে, হায়জবা ঙমদনা পংথহনখ্রে। হেন্না শোয়রিবদি চঙখোনবী শৈশকপী অদুনা শেৎলি চারিবা ফিজোল, মহাক্লা শক্লিবা ঈশৈগী লোইচৎ, তাল অদুনি। থাদোক্তুনা থম্বা লাকপা কুইদ্রিবা শাগোলনা মীয়াম তিনবা কাংজৈবুংদা চেনবা হৈতনা কাংজৈ শান্নবা য়াওবগা চপ মান্নখি।

ঈশৈ শকপী অদুনা শেৎলি চারিবা ময়াম অদুবু য়াদুনা তারিবা অহল লমনশিংসু ৱাখল খজিক খন্থহন্নিংঙি। লম লমগী চৎনবী অমা লৈদুনা হৌদোকপীব্রা। লম অদুমক্তি খঙজদ্রি খঙলগসু মফমসিদা পঞ্জদ্রি। পনসু পঞ্জনিংদে। ঐখোয়না খঙমিন্নবা য়াবদি- লম লমগী ৱাফম নত্তে। লমদমসিদা হিংমিন্নরিবা খুন্নাই অসিগী অপূনবা মীৎয়েংদুনি। মপান লমগী অতোপ্পা মীওই অমনা উখিবদা হায়গদৌরিবসি লম অমদি মীওই অদুখক্তা নত্তে। মণিপুরী হায়বা মণিপুরীশিংগী মনুংদা মৈতৈ হায়বা কাঙলুপ অদু ওইনা উখিগনি। মণিপুরগী লাইরিক লাইশু হৈখিবা, নট সংকির্ত্তনবু মশক খঙখিবা স্কোলার, ক্রিটিক এলাংবম নীলকান্তা ঙসি অসিগুম্বা মতাংসিদা নীংশিংলকই। মহাক লৈরম্লগদি মণিপুরগী নট সংকির্ত্তনগী হোংলক্লিবা মশক, মাঙথরক্লিবা, কায়থরক্লিবা অদুগা নাকন অমরোমদা চাউখৎলক্লিবা কয়া অসিগী মরমদা মচা খায়না নৈনরমগনি অমদি ঙাওবীরমগনি। মখোয়গুম্বা অখঙবা মনুং মপান উবা ঙম্বা অহল লমন, ওঝা গুরু লৈশিল্লক্তবনা ফমেন ফমদুনা হায়বীনবা ৱাৎলকপদগী থক্সি খাসি কায়বা মরক্তা কনাগুম্বা কনাগুম্বী য়াওরকপনি।

ঐঙোন্দা ফাওরকপা নুংঙাইখিদবদি ঙসিগী হৌরক্লিবা মণিপুরী নট সংকির্ত্তণবু নুংশিনা পামজনা তমখৎচরিবা, থিজিন হুমজিঞ্জরক্লিবা মহৈরোইশিংনা হন্দক উরিবা কনাগুম্বী অমনা শেৎতোক চাথোকক্লিবা মেজিক্কী ফুরিৎ মানবা অসিনা করম্বনো, অচুম্বরা, অরানবরা খন্দোকফম খঙদনা ককঙাওনরকপসিনি। নাৎকী ফিরাল পায়হৌনবা শিন্নরমগদৌরিবসি নহারোলশিং মখোয়দনি। ফিরাল চৈখোক মনিং মনাং ওন্নবা, থক-খা ওন্নবা মহৈ মখোয়দা শিন্নবীগদৌরিব্রা? অচুম্বা ওইরবোই নীংদুনা শীজন্নরক্লগদি কনাগী মরালনো? নট সংকির্ত্তণ খক্কী ৱা নত্তে, নাৎকী শিনফম খূদিংমক্তা থৱায় হাপ্পীরিবা হাপ্পীরিবী খূদিংমক্লা ঙসিগী মীরোল অসিদদি অশেংবা, অচুম্বা অদু পুথোক্তুনা তুংগী মীরোলগীদমক খন্দুনা উৎথোকপা, তম্বীরম্বা মথৌ তারে। ঙসিগী নহরোলশিং লাইরিক লাইশু তম্নরে, খজিক্তুং হায়বদা খঙজবা থুরে। মতম অমগী লাইরিক ৱাৎলিঙৈগী মতৌ অদু ঙসিদি চন্নদ্রে। শেৎতোক চাথোকলিবা অসি লাইরিক লাইশু ৱাৎপা চৎনরকপা খঙদবা ওইনসু উহনগুমসি। লাইরিক অমদি মহৈ অনীমক তূনা খঙমিন্নরবতদা নাৎকী মশক ময়েক লাবা হেল্লক্কনি হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক খঙমিন্নসি। ঐখোয়গী অহল লমনশিংদি ফিরোল য়াম্না লৈজদ্রগসু শীজিন্নবদি মচু তাখি। পোৎথম্ফম নাইখি। লুহোংবগী ফিজেৎ-লৈতেং, শিবা নাবগী, শোরাৎ ফিরোই, হরাউ ফি খায়না লৈরকই, শেৎনখি ইন্নখিবনি। ফনা নঙবা, লায়রজবা মী ওইরগসু খুৎচুম ফদি, খোঙনম ফদিনা মায় তৈথোক্লরক্তে। ইচে ইচল, ইমা ইবেন লৈনম চেন্দবা লৈনা নাচোম চিন্নরক্তে। চৎনরোলশিং অসি খঙনা ইচে ইচল, ইনেমশিংনা থৌগল্লোন খঙনা য়ূম পূদুনা লাকখি। মচা মশু শেমলকই, য়ূম্বাল্লোন তাকপী তম্বীরকই। কনাগুম্বা অমগী থৌরমদা, শকহেনবী শৈশকপী অমনা শকহেনবী তান্নবদা শেৎকদবা ফিরোল শেৎ চারগা মীয়াম তিনবা লুহোংবা নৎত্রগা নাহুৎ নারেংগী থৌরমগী ঈশৈ শকপসি অয়ুক নুংথিল ওন্নবা ওইনা উজে। কেনা নোক্কে তৌবদা চোংথোকখিবা মাল্লি। অমরোমদা অহল লমন, তম্বী তাকপীবা ঙম্বা লৈরি কাউখিবসু মাল্লি। ঐখোয় হিংমিন্নখিসি, হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা নাৎকী মশক তাকমিন্নখিসি। নাৎ চৎনবী হায়বসি ময়াম্না য়ানরগা শেম্বনি। ইথন্তগী অপাম্বনা চৎনবী ওইবা য়ারোই। কেবনা ইশাগীনি। চৎনবীনা ময়ামগীনি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-৮৫

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

“মদুগী মতুংদদি পূম্নমক কালিকাপ্রসাদকী থৌনাগী ৱাফম লাক্লে। সিটিগী মফম খুদিং কোয়রবা মতুংদা মহাক্লা অচৌবা থবক তৌরকই অদুগা মফম খরদনা তুমিৎ-কাংগুম্না তুমিন্না লৈ। মফম অদুদা ঐখোয়না উই মদুদি কালিকাগী থৌনা তশেংনা থাগৎনিংঙাইনি। ওইরিবা ৱাফম খুদিংমক অচৌবা মীগী থবকনি। মহাক্লা হায়বা ৱাফম চুম্মী। মফম অদুদা মহাক্লা অচৌবা ওফিসর অমা ফাখ্রে। মীওই অদু লৈ পরেং শিবা অমদি লেকচর পীবগী হৈনবী লৈবা মীশক অমনি। অয়ুক্তা মহাক্কী ঙকশমদা লৈ পরেং তরামুক হেক তাদ্রিমখৈ মহাক ময়া ফাওবা শেংদে। খুরুক খুদক কুন্দুনা অদুমক লৈ। অদুগুম্বা ওফিসর অদু ঐখোয়না ফারে।”

“হৌজিক গুরুজি, কোক্তা ওইনা ঐখোয়না য়াম্না কন্না থবক তৌখ্রে। নুমীৎ হুম্নিগী মতুংদা মফম অসিগী ফার্মদা মীফম অমা পাঙথোক্কনি। মাং থারগা অদোম্না চৎকদবনি। ধোল থিল্লদুনা, লৈপরেং হুক্লদুনা, ফোটো নুংদোসু লোয়না কাপকদৌরিবনি। মদুগীদমক ব্লোককী মীওইশিং লৈরে, অদুবু ঐখোয়সু য়াম্না কন্না হোৎনবা অমা চঙই। চানবগীদমক্তদি হৱায় থরাকনা অদুমক য়ারগনি। ওফিসর অদুনা হায়খি মদুদি ঐখোয় লৌমীনিনা লৌমীগুম অদুমক চাগনি। ঐখোয়নসু খল্লি মদুদি গুরু, ঐখোয় খঙই, চানিংবা মওংদা চাও অদুবু চাদ্রবদি ঐখোয় য়াবা ঙল্লোই। হৱাইথরাক অদু সিটিদগী পুরক্ত্রগদি য়ারোই। মফম অসিদদি হৱায়থরাক কদাইদা ফংগনি?”

সনীচরসু মীফম অদুগীদমক শেম শানবগী ৱারী শাবা হৌরকই। মতম অদুদা পিক্তু শাফবনা চৈরদুনা হংলকই, “হৌজিক মফম অসিদা হৱায়থরাক্কী মতাংদা ফদ্রৎ-ফদ্রৎ ৱারী শাবা তোক্লো। অশেংবা ৱাফম অদু হায়য়ু, ঐখোয়গী খুৎতা করি ফংলবগে?”

সনিচরনা চিংনবা লৈতনা হায়রকই, “ঐখোয়গী খুৎতা করিবু ফংগদৌরিবনো শাফবা? শেমগদৌরিবা সোসাইটি অদুনা ফার্মগী থবক হৌরকপা মতম অদুদা লুপা ৫০০ ফংগনি, শেনফম অসি মফম খুদিংদা লোয়না চৎনরিবনি। ফংগদৌরিবা অসিসু সোসাইটিনা ফংগদৌরিবনি।”

পিক্তু শাফবনা খুবাক খুরদুনা নোক্লকই, “ৱাহ! করি ৱাফমনো ইবুংঙো মঙ্গলদাস! থোরক্লিবা ৱাফম অসি অঙকপনি। কদোমদগী লাকখিবনো অদুগা কদোমদা চৎখিবনো জ্ঞানমেনকা তাদে!”

ৱেদ্যজিসু হরাউরদুনা তুমিন্না নোক্লদুনা তাদুনা লৈরম্মী। মহাকপু হেক য়েংলুবদা তুংদা থোক্লক্কদবশিং অদু ফজগদবা মাল্লি। মহাক্লা থাইনাগী ফজবা ৱারী অমা লিরদুনা সনিচরবু থাগৎলদুনা হায়রকই মদুদি কৈগী মচা অমনা অহানবা শাদানবা থোক্লকপদা অহানবা ওইনা হেক চোংবগা মচি ১২ লোংবা শজি অমা হাৎপা ঙম্মি।

জন্যৱারী তঙ্খাই চনখ্রে, মদুগী মতুংদা ফেব্রুৱারী লাক্লগনি, মদুদা গাউ সভাগী মীখল পাঙথোক্কদবনি। মদুগী মতুংদা মার্চ থাদা হায়স্কুল অমদি ইন্টরমীদিএটকী এগজামশিং তৌনরক্লগনি। মীখল অদুনা মরম ওইদুনা মায়কৈ অমরোমদনা সনিচর অমসুং বদ্রি শাফবা লান্থেংনখ্রে, অতোপ্পা মায়কৈ অমদনা রামাধিন ভিখমখেরবি অমসুং মহাক্কী জ্বার শান্নবা লানিয়াশিংবু দেম্মোক্রেসিগী থবক তৌনবগীদমক পীশিল্লম্মী। অদুগুম্বা থবক অদু তৌনবগীদমক চৎনরিবা মওং-মতৌ অদুদি মায়কৈ অনীমক্কী পার্টিশিং অমনা অমগী মতুংদা মচিন থিনদুনা চৈনবা অদুনি। থাজবা লৈ মদুদি ফেব্রুৱারী থাদা থবক অদু হকথেংননা মখোয়গী মমাংদা থোক্লক্লগনি। মার্চতা তৌগদৌরিবা এগজামগী ৱাফমগী ওইনদি মখোয় হৌজিক কনাগুম্বা অমবু লাংদা থুহনবদি ঙমদ্রি; মহৈরোয়শিং, ওজাশিং অমদি মরুওইনা প্রিন্সিপাল সাহব- মখোয় হৌজিক তশেংনা জ্ঞান-মেন তাদ্রি।

অদুবু প্রিন্সিপাল সাহব অতোপ্পা মীওইশিংগী মতাংদদি লাংদা থুবা হায়বদু ওইখ্রে। নুমীৎ খরনিগী মমাংদা কোলেজগী মীফম পাঙথোকখি, মতম অদুদা ৱেদ্যজিবু মীয়াম্না অমত্তা ওইনা য়ানদুনা অমুক হন্না মেনেজর ওইনা খনখিবনি। ৱাফম অদুগী মতাংদা মেম্বর খরনা কমপ্লেন অমা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা লেটর অমা থাখি। মখোয়না হায় ৱাফম অদুগী মতাংদা য়ানিংদবা মেম্বরশিংবু মীফম অদুদা য়াওবা লাকহনখিদে। পিষ্টোল নমদুনা কিহনখি। কমপ্লেন অদু মতৌ অসুম্না য়াম্না শাংনা মচা খায়না ইখি মদুদি কমপ্লেন লেটর পাবা হায়বসি য়াম্না ৱাবা থবক অমনি। অদুবু করিগুম্বা পারুরবদি মদুদা থাজবা হায়বসি তশেংনমক ওইথোকপা ৱাগনি। মরমদি মদুগী ৱারোইশিন মসিদা তাগনি হায়বদি শিবপালগঞ্জগী চৎন-কাংলোন পূম্নমক মাঙখ্রে, মফম অসিদা পুলিস-থানাগী ৱাফম লৈতে। গুন্দা মরি পুনখ্রগদি মখোয়না পাম্বা থবকশিং অদুমক তৌবা ঙম্মি। য়াম্না ময়েক শেংবা ৱাফমনি মদুদি ৱাফম অসি অরানবা ৱাফম অমনি হায়না খনবদা থিগৎনিংঙাইগী মথৌ তাদে; অদুম ওইনমক মখোয়গী মায়োক্তা লৈবা মেম্বরশিংনা সিটিদা চৎতুনা কমপ্লেন লেটর অদুগী কোপি কয়া এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী অচৌ-অচৌবা ওফিসরশিংদা পীখি। মফম অদুদগী হল্লক্লগা মখোয়না মফম খুদিংদা শন্দোক্লম্মী মদুদি থৌদোক অদুগী মতাংদা দিপ্যুটি দিরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন কৌবা অমনা ইনভেষ্টিগেসন তৌগনি। মীওই অদু য়াম্না হৈশিংবনি হায়না। অদুবু হন্দক্তি মহাকপু ৱেদ্যজিগী মপা ফাওবনা অয়েৎপা পীবা ঙল্লরোই, মরমদি মথক্তগী য়াম্না চুম্না ইনভেষ্টিগেসন তৌনবগী ওর্দর লাকখ্রে।

প্রিন্সিপাল সাহবপু লাংদা থুনবগীদমক্তদি মসিনা অদুমক য়ারগনি। মখোয়না খঙই মদুদি ইনভেষ্টিগেসনগী ৱাফম ৱেদ্যজি মশামক্লা য়েংশিনগনি, অদুবু ইনভেষ্টিগেসন চৎথরকপদা মকোক থোংবা ওফিসএলশিংসু লাক্কনি। মতম অদুদা প্রিন্সিপাল সাহব মশামক ৱাফম কয়া শেংদোক্তবা য়ারোই। মকোক থোংবা ওফিসএলশিং কোলেজদা লাক্লবদি অহানবদা করি য়েংগনি? প্রিন্সিপাল সাহবনা মশা মথন্তা পাউখুম পীজৈ : বিল্ডিংশিং!

মরম অদুনা মহাক্লা হৌজিক কান অসি কোলেজগী বিল্ডিং ফজনবা য়াম্না কন্না হোৎনরি।

মহাক্লা সিটিদা উখি, মদুদি করিগুম্বা অপিকপা উ চারা অমা থাদুনা মদুগী অকোয়বদা চেকনা কোয়খৎতুনা থল্লগা অঙাংবা, হঙ্গামপাল অমদি অঙৌবা মচু তৈশিল্লবদি উ চারা পাম্বী অদু হৌদ্রবসু অমদি তৌরিবা থবক অদু মপুং ফাদ্রবসু মফম অদু গার্দেন অমগুম ওইনা উই। মরম অদুনা মহাক্লা খনখি মদুদি কোলেজ অসিগী বিল্ডিংগী মমাংদা গুলমোহর অমসুং অতোপ্পা উ পাম্বীশিং থাজিনগনি। মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং লাক্ত্রিঙৈ মমাংদা চেক্লা খাগৎতুনা মচু কয়া তৈশিন্দুনা থমগনি। হেক লাকপগা মখোয়গী মমাংদা য়াম্না লু-নান্না ফজরবা বিল্ডিং উহল্লবা অমদি চৎপা হৌরকপদা মপুং ফাবা ফজরবা ফর্ষ্ট ক্লাসকী ব্রেক ফাষ্ট অমসুং চা ফংহল্লবদি করি তৌবগী মখোয়না ঐখোয়গী মায়োক্তা রিপোর্ট ইগদৌরিবনো? প্রিন্সিপাল সাহবনা খল্লি জন্যৱারীগী ইংলবা মতম থাদোক্লগা অতোপ্পা মতমশিংদা উ চারা থানবগী চপচাবা মতমনি, অদুগুম্লবা য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা ৱাখল্লোল অদুনা মাং থারদুনা মহাক্লা থবক অদু মপুং ফানা তৌবা ঙম্নবগীদমক থৱায় য়াওনা হোৎনরম্মী।

**মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা**